# চেক রিপব্লিকনা স্কোটলেন্দবু ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে, নেদরলেন্দসনা যুক্রেন পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে



গ্লাসগো, জুন ১৪ (এজেন্সী):

যুরো-২০২০গী মখা চথরকপা গ্রুপ দিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা স্কোটলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা চেক রিপব্লিককা লম্বা তৌনরকপদা টিম অদু ০-২দা মায়থীবা নংখ্রে। অদুগা অঙনবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসনা যুক্রেনবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি স্কোটলেন্দগী গ্লাসগো সিটিদা লৈবা হাম্পদেন পার্কতা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অদু য়ূম্বু টিম অদুগা চেক রিপব্লিককা অহানবা হাফ অদুদা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু শান্নবগী মিনট ৪০ লোইশিল্লকপা ফাওবা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা চেক রিপব্লিককী মায়কৈদগী ব্লাদিমির কোফানা পীরকপা বোলদা পেট্রিক স্কিকনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা হাফ অদু মখোয়না স্কোটলেন্দবু ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মেটচকী অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঁৈদা চেক রিপব্লিককী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা পেট্রিক স্কিকনা ফংখিবা কাউন্টর এটেককী বোল অমদা শান্নবুংগী তঙ্খায়দগী কাওখিবা বোল অদুনা স্কোটলেন্দগী গোলকিপ্পর দেবিদ মার্সেলবু মায়থীবা পীরগা মিটর ৫০ রোম ৱাৎলিঁৈদা পাঞ্জল ১গা চনবা ঙমখি।

যুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসি-এসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা পেট্রিক স্কিকনা চনখিবা অনীশুবা পাঞ্জল অদু মমাংগী যুরো ২০০৪দা জর্মনিগী মিদফিল্ডর টোরস্টেন ফ্রিংসনা মিটর ৩৮.৬ ৱাৎলিঁৈদগী কাওরকপদা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা খ্বাইদগী থাপ্না চনবা ঙম্বা পাঞ্জল ওইখিবনি। মদুগী রেকোর্দ অদু ঙসি পেট্রিক স্কিকনা মিটর ৪৯.৭ ৱাৎলিঁৈদগী চনখিবা অদুনা রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখিহায়রি। পাঞ্জল অনী শোথরবা স্কোটলেন্দগী মায়কৈদগী চথরকখিবা মখা তাবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওইরম্বা তাঞ্জা কয়া য়াওখি। অদুবু চেক রিপব্লিককী গোলকিপ্পরনা য়াম্না মীৎকুপ নাহুম শিংনা এটেম্পট কয়া অমা ঙাকথোক্তুনা পাঞ্জল চলহনখিদবদগী মেটচ অদুগী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিন্দুনা চেক রিপব্লিকনা ২-০দা থোইখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা স্লোভাকিয়ানা পোলেন্দবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু রসিয়াগী সেন্ট পিটর্সবর্গতা শান্নখিবনি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা স্লোভাকিয়াগী এটেক অমদা পোলেন্দগী সিগজে স্নিদগী খেৎলগা চঙখিবা গোলনা অহানবা ওইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ১ চঙশিল্লকপদা পোলেন্দগী মায়কৈদগী কেলিনেটিনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনী মান্নদুনা লাকখ্রবসু ৬৯শুবা মিনটতা স্লোভাকিয়াগী স্ক্রিনিয়ারনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখি।

# ব্রাজিলনা ভেনিজ্যুএলাবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে, ইক্কাদোর কলম্বীয়াগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখ্রে



ব্রাসিলা, জুন ১৪ (এজেন্সী):

ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা সাউথ অমেরিকাগী লৈবাকশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ূম্বু ওইখিবা ব্রাজিলনা ভেনিজ্যুএলাবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ইক্কাদোর কলম্বীয়াগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীবা নংখ্রে।

কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি কলম্বীয়ানা য়ূম্বু ওইগনি হায়না মমাংদা সেদ্যুল্ড তৌরম্বনি। অদুবু লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯গী অহেনবা চৈথেং ফংখিবা অমদি লৈঙাক্কী ওইবা লৈতাদবা ফীভম লাকপদগী ব্রাজিলনা নৌনা য়ূম্বু ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ব্রাজিল অমসুং ভেনিজ্যুএলাগী মেটচ অদু ভাবোক অমত্তা য়াওদনা লৈবাক অদুগী কোনুং ব্রাসিলাদা লৈবা মানে গারিনচা নেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় মার্কিনোজনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ভেনিজ্যুএলাবু ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। ভেনিজ্যুএলাগী মায়কৈদগী অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা মতম অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবগী খোঙথাং পূন্নমক অরেম্বা তাদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় হৌজিক-হৌজিকনা ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শরুক য়ারিবা নেমারনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদুদা মখোয়না ভেনিজ্যুএলাবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা চথরকপা মেটচ অদুগী শান্নবা লোইরমদাই ৮৯ শুবা মিনটতা নেমারগী মায়কৈদগী পীরকপা য়াম্না ফজবা বোল অমদা টিমমেট গেব্রিএল বার্বোসানা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ভেনিজ্যুএলাবু ব্রাজিলনা গ্রুপ বিদা পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ অসিগী ঙন্না শান্নখিবা মেটচ অমদা ব্রাজিলগী পন্টলাল এরেনাদা কলম্বীয়া অমসুং ইক্কাদোর লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী হৌরকপা টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী পুংখায় হেল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাফ অদুগী লোইশিল্লক্কদবা মিনট ৩ খক্তা ঙাইরবা মতমদা কলম্বীয়াগী মায়কৈদগী মিগেল বোর্জানা পীরকপা বোল অমদা ইদ্বিন কার্দোনানা পাঞ্জল ১ চল্লগা মাঙজিল থাখি। মখা তারকপা অহানবা হাফ লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা নাকল অনীগী অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী কলম্বীয়ানা ইক্কাদোরবু ১-০দা থোইখি।

# টোকিও ওলিম্পিক্সতা মেদল ফংলবদি কোভিদ ৱারিয়রশিংদা দেদিকেট তৌগনি : মনপ্রিট সিংহ

বেঙ্গলুরু, জুন ১৪ (এজেন্সী):

চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা করিগুম্বা মেদল ফংবা ঙম্লবদি মেদল অদু ইন্দিয়াদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ লাম্থেংনবদা শরুক য়ারিবা ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংদা দেদিকেট তৌগনি হায়না ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা মনপ্রিট সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯না চৈথেং পীরকপদগী কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্লমগদবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী ১ য়ৈথরগা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌননবা শেম শারিবনি। অদুবু চহী অসিদসু মখা তানা লায়না লাইচৎ অসিগী অনৌবা ৱেভনা ইন্দিয়াদা অহেনবা চৈথেং পীদুনা মীওই কয়া অমগী পূন্সি মাঙহনখ্রবনি।

লায়না লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্ল নবা অকনবা মওংদা মশাগী ওইজবা থিদনা লাম্থেংনরিবা দোক্তরশিং, নর্সশিং, পেরামেদিকেল ষ্টাফশিং অমদি অতোপ্পা ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুবু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা করিগুম্বা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা টোকিও ওলিম্পিক্সতা মেদল ফংলকপা তারবদি কোভিদ-১৯ ৱারিয়রশিং অসিদা দেদিকেট তৌগনি হায়না হৌজিক-হৌজিক বেঙ্গলুরুদা ট্রেনিং কেম্প চথরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহনা ফোঙদোকখি।

টিম অসিগী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগীদমক্তা মেদল অমা ফংননবা মায়োক্লবা লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা শান্ননবগীদমক্তা শেম শারি। মহাক্না ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিং অসি হোক্কী ইন্দিয়ানা মীয়ামদা রিলিজ তৌখিবা ভিদিও ফুটেজ অমদা য়াওখি।

হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসি মালেমগী হোক্কী শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা মকোক-মথং তাবগী পরিংদা মরিশুবা থাক্তা লৈরিবনি। মখোয়না বেঙ্গলুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরদা অকনবা মওংদা ট্রেনিং চথরি। টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা নুমীৎ ৪০ রোমতা ঙাইরবা মতম অসিদা টিম অসিগী মহুৎ শিন্দুনা কেপ্টেন ওইরিবা মনপ্রিট সিংহনা মহাক্কা শান্নমিন্নরিবা টিম অদুনা করিগুম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংলকপা ঙম্লবদি ইন্দিয়াগী থৌনা ফরবা কোভিদ-১৯ ৱারিয়রশিং অদুগীদমক্তা দেদিকেট তৌগনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

কোভিদ-১৯ ৱারিয়রশিং অসিনা হনবা লৈতনা লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীরবা ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তা মায়োক্নরিবা থবক থৌরমশিং অদুবু হনবা লৈতনা টিম অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ ইম্ফালগী বেদমিন্টন কোর্ট এরেনা অপগ্রেদ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪ (ঐচ এন এস):

ইম্ফালদা লৈবা গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ (সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স)কী বেদমিন্টন কোর্ট ঙসি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী আই জি পি রন্দিপ দত্তনা ইনোগ্যুরেট তৌখ্রে।

গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফ ইম্ফালগী দি আই জি ওইরিবা কম্মান্দেন্ট দিনেশনা থাদোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না ইম্ফালগী গ্রুপ সেন্টর সী আর পি এফকী বেদমিন্টন কোর্ট অদু হান্না লৈরম্বা মওংদগী অপগ্রেদ তৌদুনা সিন্থেটিক য়োনেক্স মেট থাদুনা নৌনা থাক ৱাংখৎহনখিবনি হায়রি।

বেদমিন্টন কোর্ট অদু অপগ্রেদ তৌবগী থৌরম অদুদা রন্দিপ দত্তনা চীফ গেষ্ট ওইখি। অদুগা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরগী আর সী দব্লিয়ু এগী চ্যেরমেন রিতু দত্তনা কো গেষ্ট ওইখি। অনৌবা কোর্ট অদু শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা রন্দিপ দত্তগী মচানুপী ইশা দত্তা অমসুং অগরটালাগী সী আর পি এফ গ্রুপ সেন্টরগী ঐচ সী/জি দি এস আর কোরেনগী লোয়নবী কিম কোইরেংগা অহানবা মেটচ অদু শান্নখি।

অনৌবা বেদমিন্টন কোর্ট অদু শঙ্গাবগী মতাংদা রন্দিপ দত্তনা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টর অদুদা লৈরিবা ওফিসর, সবোর্দিনেট ওফিসরশিং, জৱানশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংদা শান্নবগী লম্দা পূক্নিং চঙশিনবগী তঙাইফদবা অদু ফোঙদোকখি। হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনবা মতমদা শান্নবগী থবক থৌরম অসিনা অচৌবা মতেং পীগনি হায়খি। মমাংদা হকচাং ফননবা মীওই অমনা নোংমদা কিলোমিটর ৮দগী ১০ ফাওবা চৎনরম্বা অদু চাউখৎলবা মতম অসিদা অতোপ্পা শান্নবগী হীরমশিংদা পূক্নিং চঙশিল্লগা মতম মাঙদনা হকচাং ফিট ওইবা য়ারগনি হায়নসু থমখি।

# ইংলেন্দগী মো ফারাহনা অরোইবা ওইনা টোকিও ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনগদৌরি



লন্দন, জুন ১৪ (এজেন্সী):

নুপাগী মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা ওলিম্পিক গোল্ড মেদল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা ইংলেন্দগী এথলিট মো ফারাহনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইননবা থা অসিগী ২৫দা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা বৃটিশ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা অরোইবা ওইনা হোৎনগদৌরি।

মশাগী চহী ৩৮শুরবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন মো ফারাহনা থা অসিগী অঙনবদা অতোপ্পা ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘম পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অমদা ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইবগী টাইমিং অদু য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌবনি। মহাক্না কম্পিটিসন অদুদা খোঙনীং শোকপদগী মহাক্কী ওইবা হান্না লৈখিবা ফীভম অদু য়ৌবা ঙমখিদবনি।

টোকিও ওলিম্পিক্সকী ওইনা মিটর ১০,০০০গী নুপাগী লমজেলগী ওইবা ক্বালিফিকেসন টাইমিং অদু মিনট ২৭:২৮.০০ ওইরিবনি। মসিদসু নৎতনা মহাক্না কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক্সতা হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদু দিফেন্দ তৌগদৌরিবনি।

থা অসিগী ৫দা পাঙথোকপা বিরমিংঘমগী মিটর ১০,০০০গী কম্পিটিসন অদুদা মো ফারাহনা মিনট ২৭:৫০.৬৪ চেন্দুনা ৮শুবা পোজিসন তাখি। পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৭তা মো ফারাহনা মিটর ১০,০০০গী লমজেল অসিদগী লেপ্পুনা মারাথোন লমজেলদা মায় ওনশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অদুবু ইনৌ নৌনা মহাক্না রিও ওলিম্পিক্সতা মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদু টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা দিফেন্দ তৌগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# ইন্দোনেসিয়াগী নুপাগী দবলস বেদমিন্টন শান্নরোয় মার্কিস কিদো হার্ট এটেকতা লৈখিদ্রে



জাকর্টা, জুন ১৪ (এজেন্সী):

ইন্দোনেসিয়াগী মমিং লৈরবা বেদমিন্টনগী দবলস শান্নরোয় মার্কিস কিদো মশাগী চহী ৩৬ শুরকপদা লৈখিদ্রে হায়না ঙসি বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বেদমিন্টন মশান্না অসিগী ওইনা দবলসকী স্পেসিএলিষ্ট অমা ওইবতা নৎতনা ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা মার্কিস কিদো ঙসি লৈখিদবনি হায়রি।

কুমজা ২০০৮ বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতা মার্কিস কিদোনা মহাক্কী টিমমেট হেন্দ্রা সিটিয়াৱানগা পার্টনর ওইরগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। হায়রিবা মেদল অদু মখোয় অনীনা কুৱালা লুম্পুরদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা নুপাগী দবলস টাইটল লৌরবা মতুং ওলিম্পিক গেমস অদু টাইটল লৌখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংবু শান্নবা মতমদা টেন্সন লৈতনা শান্ননবা পাউতাক কয়া চীফ কোচ আইগোর ষ্টিমেকনা পীরি

দোহা, জুন ১৪ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২২ কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপ অমদি কুমজা ২০২৩ চাইনা এ এফ সী এসিয়ন কপকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা মখোয়না মায়োক্লবা টিমগা লম্বা তৌনবা মতমদা মশান্না অদুদা টেন্সন লৈতনা নুংঙাইনা শান্ননবা মরুওইবা পাউতাক কয়া অমা চীফ কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসি ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ ঈদা শরুক য়াদুনা য়ূম্বু ওইরিবা কটারনা মকোক থোংবা ঙমখ্রবা মতুং ওমাননা অনীশুবদা লৈরগা অহুমশুবদা ইন্দিয়া লৈরিবনি। হয়েং গ্রুপ অসিগী ওইনা ইন্দিয়ানা অরোইবা মেটচ ওইনা অফঘানিষ্টানগা লম্বা তৌনগদৌরি।



হায়রিবা মেটচ অদুদা করিগুম্বা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা ঙম্লবদি এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দদা য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কোচ ষ্টিমেকনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌজিক-হৌজিক মেটচ ৭তা পোইন্ট ৬ ফংলগা লৈরিবনি। অদুগা অফঘানিষ্টানননা চপ মান্নবা মেটচ মশীংদা পোইন্ট ৫ ফংলগা লৈরি। অদুবু কোচ অমগী থৌদাংগী মতুংইন্না মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুদা দ্রো চৎননবা শান্নৌ হায়বগী পাউতাক্তি লৈতে। হয়েংগী মেটচ অসি ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানগা শান্নবদা দ্রো চৎলবসু পোইন্ট হেন্দুনা এসিয়ন কপকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী ওইনা অহুমশুবা রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমগদৌরিবনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানগা শান্নখিবা গ্রুপ অসিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা দ্রো চৎখিবনি। শান্নরোয়শিং অসিগী মায়কৈদগীদি অফঘানিষ্টানবু হয়েংগী মেটচ অসিদা শুংশোয় শোয়দনা মায়থীবা পীননবা শান্নগদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টিমেকনা মখা তাখিবদা, মমাংগী মেটচশিং অদুদগী হন্দকশান্নরিবা টিম অসিগী শান্নরোয়শিং অসিনা থৱায়য়াওবগী চাং য়াম্না হেল্লি। মখোয়না ফিল্ডদা মায়োক্লবা টিম অদুগা লম্বা তৌনরকপদা করিসু চিংনিংঙাই ওইদে। মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থীবা হায়বসিদি মেটচ অমগী ফলনি। অদুনা শান্নরোয়শিংদা টেন্সন লৈতনা শান্ননবা পাউতাক পীখি।

# রোজর ফেদরর হেল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

লন্দন, জুন ১৪ (এজেন্সী):

মালেমগী টেন্নিসকী নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মতম শাংনা ওইরম্লবা অদুগা গ্রান্দস্লাম টাইটল কয়াসু লৌবা ঙমখ্রবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা লন্দনদা পাঙথোকপা হেল ওপন গ্রাসকোর্ট এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা মশাগী চহী ৪০ শুরগদবা রোজর ফেদররনা হেল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৯০দা লৈরিবা বেলারুসকী শান্নরোয় ইলিয়া ইভিসকাবু ৭-৬ (৭-৪), ৭-৫দা থোইবা ঙমখি।

রোজর ফেদরর কুমজা ২০২০দা মহাক্কী য়েৎ থংবা খূউদা ওপরেসন অনীরক চথখি। মদুনা মরম ওইরগা ফ্রেঞ্চ ওপনগী মরিশুবা রাউন্দ ফাওবা য়ৌরম্লবা মতুং মখা তানা মখূউ অদু শোক্তনবা ৱিদ্রো তৌখিবনি। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা গ্রান্দস্লাম টাইটল ২০ লৌবা ঙম্লি।

চৎলিবা থা অসিগী ২৮দগী হৌগদৌরিবা ৱিম্বলদন গ্রাসকোর্ট গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা হেল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারকপনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী ফেলিক্স ওগর এলিয়াসিম অমদি পোলেন্দগী হুবর্ট হুর্কাজ অনীগী অথোইবগা শান্নরগনি। ৱিম্বলদনদা ফেদররনা ৯লকশুবা টাইটল অদু ফংননবা শেম শারক্লিবনি।

# ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দি গুকেশনা গেলফান চেলেঞ্জ টাইটল লৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ১৪ (এজেন্সী):

মালেমগী খ্বাইদগী চহী নৌবা গ্রান্দমাষ্টরশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোয় দি গুকেশনা যু এস দোল্লর ১৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা গেলফান চেলেঞ্জ চেছ টাইটল অদু লৌবা ঙমখ্র।

টুর্নামেন্ট অসি মেল্ট ৱাটরস চেম্পিয়ন্স চেছ টুরগী মনুং চনবা ওনলাইন টুর্নামেন্ট অমা ওইরি। ঙরাং শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা নুমীৎ অদুগী হৌদ্রিঁৈদা টুর্নামেন্ট অসিগী লুচিংবা ওইখিবা জর্মনিগী ভিন্সেন্ট কেমর অমদি অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর আর প্রগনন্ধদগী মথংশিংনা পোইন্ট ২ অমসুং ১.৫ শোথদুনা লৈখিবনি। অদুবু অরোইবা নুমীৎতা শান্নখিবা রাউন্দ ৪দা মশাগী চহী ১৫দা ঙাইরিবা দি গুকেশনা রাউন্দ মরিমক মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অদু মহাক্না চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।


টুর্নামেন্ট অসি মালেমগী ওইনা খনগৎলবা অফবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় ২০গী ওইবা লম্বা ওইখি। দি গুকেশনা ঙরাং শান্নখিবা ১৭শুবা রাউন্দ অদুদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রগনন্ধবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।



মখা তাবা ১৮শুবা রাউন্দদা গুকেশনা দেনমার্ককী শান্নরোয় জোনাস বুল জেরেবু মায়থীবা পীখি। মদুগী মখা তারকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা রাউন্দদা দি গুকেশনা চাইনাগী শান্নরোয় লৈ তিংজেবু মায়থীবা পীবা ঙমখি। পূন্না ১৯শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা দি গুকেশ অমসুং আর প্রগনন্ধ পোইন্ট ১৪/১৪ ফংনরগা লৈরবসু গুকেশনা মহাক্কী রাউন্দশিংদা প্রগনন্ধবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টাইটল অদু ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দি গুকেশনা ফোঙদোরকখিবদা, নোংমাইজিং নুমীৎকী অরোইবা রাউন্দ অদুদা শান্নগদবা রাউন্দ ৪ অদুগী মতাংদা মহাক থোইদোক্লা খল্লুবা লৈতে। মহাক্না মমাংগী রাউন্দশিং অদুদা পোইন্ট কয়া ফংখিবনো লোয়ননা মখা তানা রাউন্দ ৪ অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী শান্নগদবা লম্বাশিং অদু মায়থীবা পীবা নৎত্রগা দ্রো চৎপদা টুর্নামেন্ট অদুগী ওইনা মহাক্না করি ফীভমদা লৈগদবগে হায়বদুসু মুন্না খল্লুদে। অদুবু মেল্ট ৱাটরস চেম্পিয়ন চেছ টুর অদুগী ওইনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অতোপ্পা শান্নরোয় পি ইনিয়ান অমসুং বি অধিবন ৱাইল্ড কার্দ ওইনা শরুক য়ারকপনি। অমরোমদা থাক ৱাংনা লৈরিবা প্রগনন্ধদি মাংজৌননা ক্বালিফাই ওইদুনা শান্নবা য়াওখিবনি। মহাক্না এপ্রিল থাদা পোলগার চেলেঞ্জ টাইটল ফংখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 140

**GM Zierk, Steven (2499) - IM Makhnev, Denis (2486)**
**Titled Tuesday 13th Oct chess.com INT (10), 2020.10.13**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bc4 Bc5 |
| 4.c3 Nf6 | 5.d4 exd4 | 6.e5 d5 |
| 7.Bb5 Ne4 | 8.cxd4 Bb6 | 9.Nc3 O-O |
| 10.Be3 Bg4 | 11.h3 Bh5 | 12.Qc2 Nxc3 |
| 13.Bxc6 bxc6 | 14.Qxc3 Bxf3 | 15.gxf3 f6 |
| 16.f4 fxe5 | 17.fxe5 Qd7 | 18.O-O-O Rae8 |
| 19.Kb1 Rf3 | 20.Ka1 Re6 | 21.h4 a5 |
| 22.h5 Qe7 | 23.Rdg1 Qb4 | 24.Qd3 c5 |
| 25.dxc5 Qxc5 | 26.Qd1 Rxe3 | 27.fxe3 Rxe5 |
| 28.Rg4 h6 | 29.Rhg1 Re7 | 30.e4 dxe4 |
| 31.Qd8+ Kh7 | 32.Rg6 Qe5 | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 139 Ans. :**
18. ...Qg3+ 19. Qf2 Rhe8+ 20. Be2 Rxe2+The black rook decoys White's king. 21. Kxe2 Qd3+ 22. Ke1 Re8+ 23. Qe3 Rxe3+ 24. Kf2 Qe2+ 25. Kg1 Rg3#
18. ...Qg3+ 19.Qf2 Rhe8+ 20.Be2 Rxe2+ 21.Kxe2 Qd3+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com